## অপূনবা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস)ঃ
তোকপা চীং বজার কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ওল তোকপা চীং মৈরা পায়বী এসোসিএসন, ওল তোকপা চীং ৱিমেন দিভলমেন্ট ওর্গনাইজেসন অমদি ক্লবকী থৌ পুবশিংনা মীয়ামগী ওইবা অথুবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে।

মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা য়াওরিবদি, হিয়াংলম এ সীগী মনুংদা লৈরিবা পুল্লেনপাৎ অমদি মণিপুরগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা লেক অমা ওইরিবা মীয়ামগী পূক্কে ওইরিবা পাৎ অসিবু গভর্ণমেন্ট, এন জি ও অমদি দিপার্টমেন্টশিংনা কঞ্জার্ভেসন অমসুং রিজার্ভেসন তৌরকপা য়ারোই হায়রি। শেমগৎ-শাগৎপদা মপুং ওইনা থল্লিবা জোব কার্দকী লম্বী তোকপা চীংদগী কোম্নাও তাবা লম্বী অসিদসু উ-চারাশিং থাবা য়াহন্নবা ৱারেপ লৌখি।

মীয়ামগী অপাম্বা য়াওদনা মীয়ামগী মায়োক্তা তৌরকপা থবক খুদিংমক ওজাশিংগী ওইরোই। মখা তানা থোক্লকপা থৌদোক্কী অফ-ফত্তগী থৌদাং মশা মশানা পুগদবনি হায়রি।

## ট্রেদ য়ুনিয়নগী কনভেন্সন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস)ঃ
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসকী কনভেন্সন অমা ইরাবত ভবন কমপ্লেক্স, ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

কনভেন্সন অদুদা এ আই টি য়ু সীগী প্রসিদেন্ট এল সোটিনকুমার, ৱার্কিং ৱিমেন ফোরমগী সেক্রেটরি ৱাই ইন্দ্রানি, ওল মণিপুর আশা ৱার্করস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ পুর্ণিমাসি অমসুং অঙ্গনৱাদি ৱার্কর এন্দ হেল্পর য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট আই সনাতোম্বী, ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফ্যের য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি রিয়াজুদ্দিন অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সী পি আইগী সেক্রেটরি ঐচ বিমোলনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

কনভেন্সন অসিদা তোঙান তোঙানবা শিন্মীশিংনা থেংনরিবা প্রোব্লেমগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখি অমদি ৱাহংসু হংনখি। য়ুনিয়ন অসিগী নৌনা থৌ পুনবা আই তোম্ববু প্রসিদেন্ট, কে সনাহনবীবু সেক্রেটরি অমসুং ৱাই ইন্দ্রানিবু ট্রেজরর ওইনা খনখ্রে হায়না এ আই টি য়ু সী মণিপুরগী সেক্রেটরি এ শরতচন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# সী এমনা কেবিনেটতা খন্নরগে হায়বগী থাজবা পীরক্লে: জে এ সী

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস)ঃ
শগোলমাংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাগনি হায়না তৌরম্লগা ক্যামগে ময়াই লৈকায়দা ওইনা শারগনি হায়না অমুক লৈঙাক্লা উরেপ উ্মুং তমখিবা অদুদগী ঈরাং কয়া লাকখ্রবা মতুংদা ঙসি জে এ সী এগেনষ্ট দি অন নেচরেল সিফটিং ওফ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শগোলমাংগী মীওই ১৫ না শাবা টিম অমগা চীফ মিনিষ্টর, হেল্ঠ মিনিষ্টর য়াওনা লৈঙাক্কী মীহুৎশিংগা ৱারী শানখ্রে।

চীফ মীনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েটতা নাকল অনীগী ওইবা ৱারী শানবা লোয়রবা মতুংদা জে এ সী এগেনষ্ট দি অন নেচরেল সিফটিং ওফ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শগোলমাংগী স্পোক্সপর্সন নোংথোম্বম দিজেন্না হায়খি, ৱারী শানবা অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা শগোলমাংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবগী ৱাফম অসি কেবিনেটতা অমুক হন্না পুথোক্তুনা খন্নরগে হায়বগী ৱাফম থাজবা পীরকখি। নাকল অনীগী ওইনা উনবা অদুদা হেল্ঠ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার, ইম্ফাল ইষ্টকী দি সী অমদি এস পিনচিংবা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

জে এ সীনা থা অনীরোম হেন্না অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লকখিবা অদু উবীদুনা চীফ মিনিষ্টরনা য়াম্না ফজবা পাউখুম কয়াসু পীবীরকখি। মমাংদা ফমখিবা কেবিনেট মীফম অমনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসি শানবা ফিরেপ লৌখিবনা হোস্পিটাল অসি অমুক হন্না শগোলমাংদা শানবা ফিরেপ অসি কেবিনেটতা অমুক হন্না পুথোল্লগা খন্নরগা পোলিটিকেল ওইবা দিসিজন অমা লৌগদবনি। মরম লাক্লিবা জুন ১৫ দা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফম্না ৱাফম অসি খন্নরগা জুন ১৬ তা জে এ সীগা উননবগী মতম পীরকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা উৎপীরকখিবা মীনুংশি অদুদা জে এ সীনা অপেনবা ফাওই। লোয়ননা পাঙথোক্কদৌরিবা কেবিনেট মীফম অসিদসু শুকশোয় শোয়দনা শগোলমাং অমদি মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা চীংগী মীয়ামগী য়াইফনবা অমুক হন্না দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসি শানবা ফিরেপ লৌরক্কনি হায়বা থাজবা থমজরি। চীফ মিনিষ্টরনা পীরক্লিবা থাজবা অসিগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি লাক্লিবা জুন ১৫ ফাওবদং লেপ্লীনবসু জে এ সীগী মায়কৈদগী আপিল তৌরক্লি।

## অন্দ্রো লৈতানপেকফমদা মীয়াম্না কেন্দল চুখৎতুনা থৌনীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯, (ঐচ এন এস):
সী বি আইনা ফেক এনকাউন্টরগী কেসশিং থিজিনবগা মরী লৈননা অন্দ্রো লৈতানপেকফমদা মীয়াম হুপ্পা কেন্দল চুখৎলগা তাইবং শেম্বা মপূদা থৌনীজবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীয়াম্না থৌনীজবগী থৌরম অদু য়াইহৌবী য়ুঠ ক্লব, য়াইহৌবী মৈরা পায়বী এসোসিএসন অমসুং ওল অন্দ্রো য়ুঠস ক্লব এসোসিএসনননা খূৎশম্লনা শীন্দুনা ঙরাং পাঙথোকখিবনি।

লৈতানপেকফমগী মীয়াম্না সী বি আইগী ইনভেষ্টিগেসন নীংথিনা চত্থনবা অমসুং অথুবা মতমদা চার্জ সীট থাঙ্গৎপা ঙম্লবা শেম্বীবা মপূদা খুরুমজখি। লোয়ননা অথুবা মতমদা অফস্পা, ১৯৫৮ মুথুৎখিনবা অমসুং ইন্দিয়ন আর্মদ ফোর্সেসকী ভিক্টিমশিং অমসুং মখোয়গী ইমুংগী মীওইশিংবু অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবীনবসু মীয়াম্না থৌনীজখি হায়না য়ুঠস এক্সন কম্মিটি ফোর প্রোটেক্সন ওফ ইন্দিজিনস পিপলগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## রাইটর্স মীট লোয়শিনখ্রে

ককচিং, জুন ০৯ (ঐচ এন এস)ঃ
সাহিত্য একাদেমী অমসুং সাহিত্য সেবা সম্মিটি মণিপুর ককচিং অনীনা খুৎশম্নদুনা নুমিৎ নীনি চত্থগদবা ইন্দিয়া পুম্বগী নহা ওইরিবা অইবশিং উনবা (ওল ইন্দিয়া রাইটর্স মীট) অমা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ককচিং তুরেল ৱাংমা উয়োকচীংদা লৈবা ককচিং গার্দেনদা চত্থরকখিবা অদু ঙসি লোয়শিনখ্রে। মীট অসিদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী অমদি নেপালনচিংবা মীরৈবাক্তগী লাকপা অইবশিংনা তোঙান তোঙানবা লোলদা শৈরেং পাথোকখি।

# লৈঙাক্লা হায়ৱে অনীমক্কী ট্রান্সপোর্টরশিংদা মান্নবা মীৎয়েং য়েংবীয়ু: এল জয়ানন্দ

ইম্ফাল, জুন ০৯: দিরেক্তোরেট ওফ ট্রান্সপোর্টকী দিরেক্তরনা হৌখিবা জুন ৪ দা থোকখিবা ওর্দর অমনা চাকা তরুক পানবা ট্রক অমনা পুবা য়াবদি মেট্রিক টন ৯, চাকা তরা পানবনা মেট্রিক টন ১২ অমসুং চাকা ২০ পানবনা মেট্রিক টন ১৬.২ পুবা য়াই হায়না থোকখিবা ওর্দর অসি দিমাপুর লম্বীদদি হায়রিবা টন মশীং অসি শুনা পুবা য়াবনি অদুবু জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী দি সীনা থোকখিবা ওর্দর অসিমক ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদসু থোক্তুনা হায়ৱে অনীমক্তা ওর্দর থোকপা ঙম্লোইদবা ওইরগদি ওর্দর অদু ককপীয়ু হায়না হায়ৱে ট্রক ওর্নর ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসনগী মেম্বর জয়ানন্দ লাইতোঞ্জমনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা জয়ানন্দ লাইতোঞ্জমনা হায়খি, দিরেক্তোরেট ওফ ট্রান্সপোর্টনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অদুগী মতুংইন্না হৌখিবা জুন ৪ দা জিরিবামগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা থোকখিবা ওর্দর অদু অতোপ্পা ষ্টেটকী হায়ৱেশিংদা ইমপ্লিমেন্ট তৌরবা ঙাক্তনি। ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদসু ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবনি। অদুবু জিরিবাম এদমিনিষ্ট্রেসন্নদি ওর্দর অসি থোকখ্রে। ষ্টেট অসিগী মপান্দগী পোৎ পুদুনা চঙলক্লিবা গাড়ীশিং অসি অয়াম্বনা দিমাপুর লম্বীদা ঙাক্তনি। অদুবু হৌজিক ফাওবা ওর্দর অদু ঙাক্লা চৎপা ঙমদ্রি। হায়ৱে অনীদা অমনা ইমপ্লিমেন্ট তৌবীরে, অমনা তৌবীদ্রে। জিরিবাম লম্বীদা হৌজিক গাড়ীশিংদা টন মশীং শুনা হাপ্লদুনা লৈরে অদুবু অনৌবা ওর্দর থোক্লকপা অসিনা মরম ওইরগা চংখিবা গাড়ীশিং মাল হাপ্পা ঙমদনা লৈরে। রুট অনি অসি চপ মান্ননা ইমপ্লিমেন্ট তৌদ্রগদি জিরি লম্বীদা ট্রান্সপোর্টকী গাড়ী শীজিন্নরিবা ময়াম অসিনা ব্যুজিনেস অসি সস্পেন্দ তৌবগী ফিভমদা লৈরে। হিরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়রি।

# মপুং ফাবা মোদেল ভিলেজ ওইহনবদা কোওপরেসন পীবা তঙাইফদদে: থাংসো বাইতে

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস):
তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংনা মখোয়গী মথৌদাংশিং য়াজরবদি অমদি কথোকপগা লোয়ননা থবক তৌরবদি মোদেল ভিলেজগী ৱাখল্লোন অসি মায় পাক্কনি হায়না লোক সভাগী এম পি থাংসো বাইতেনা হায়খ্রে।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী সাইতু লমফাজোল সব-দিভিজনগী মখাদা লৈবা মোটবুং ভিলেজগী সী সী হোলদা ভিলেজ দিভলপমেন্ট প্লান (ভি দি পি) গী ৱারেপ লৌবগী ইম্পৱার্দ কম্মিটি মীটিংদা ৱা ঙাঙলদুনা এম পিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকপা সনসদ অদার্স গ্রাম যোজনা (এস এ জি ৱাই) গী মখাদা এম পি থাংসো বাইতেনা মোটবুং ভিলেজবু মোদেল ভিলেজ অমা ওইহন্নবা খনখিবনি।

খুঞ্জাশিংনা ৱাখলদা শেম শাবগা লোয়ননা মশা খিংনা থবক তৌগদবনি। অসিগুম্বা ফীভম লৈরবা মতমদা য়ুমথংনবা ভিলেজশিংনা ভিলেজ অদুবু মোদেল ভিলেজ ওইনা খন্নগনি। মখোয়গী ৱাখল, এদ্যুকেসন, লমচৎ-শাজৎ অমসুং থবক থৌরমশিং মতমগা চুনগদবনি হায়না বাইতেনা মখা তাখি।

মহাক্লা দেপ্যুটি কম্মিস্নার, এ দি সী/এ দি এম, এস দি ওশিং, বি দি ওশিং অমসুং দি এল ওশিংদা তোয়না ফম্মিন্নদুনা ৱা তান্ননবা অমসুং তঙাইফদবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবসু তকশিনখি। হায়জিনগী মতাংদসু ৱাখল তানবা খুঞ্জাশিংদা আপিল তৌবগা লোয়ননা মহাক্লা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনবুসু খুঞ্জাশিংগা ৱা তানরগা থবক তৌহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা সাইতু এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম এল এ নমথং হাওকিপ, সদর হিলস ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী চ্যেরমেন হাওখলাল হংশিং, কাংপোকপীগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার ডা. রঙ্গিতাবালি ৱাইখোম, এ দি সী/এ দি এম কাংপোকপী মাংতে লার্তে কোম, এস দি ও সাইতু গমফাজোল এন গমফাজোল এন জোন্সন, মোটবুং ভিলেজগী চীফ কাইখোমৈ লৌভুম, এস দি সীশিং অমসুং কাংপোকপীগী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিং য়াওখি।

এস এ জি ৱাইগী মখাদা মোদেল ভিলেজ অমা ওইনা মোটবুংবু তোঙান তোঙানবা সেক্তর কয়া হায়বদি হ্যুমেন রিছোর্স, বেসিক এমিনিটিজ অমসুং সার্ভিসশিং, সোসল সিক্যুরিটি, ইকনমিককী ফীভম, পার্সনেল, সোসল, ইনভাইরনমেন্টকী ফীভম অমসুং অফবা গভর্ণান্স চাউখৎহনবগী পান্দম থল্লি।

তুংদা মোটবুং ভিলেজ ওথোরিটিনা দিগনিটরিশিংবু থাগৎপা উৎলদুনা খুদোল খরসু তমখি।

# ‘অরাম্বম সমরেন্দ্র নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা এক্তিংগী ট্রেনিং থা ১ পাঙথোক্লগনি’

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা শীন্দুনা তরানিপানশুবা দেথ এন্নিভর্সরি ওফ অরাম্বম সমরেন্দ্র থৌরম ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা পাঙথোকপগা লোয়ননা এক্তিংগী ট্রেনিং কোর্স অমা থা অমা চুপ্পা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা ফোঙদোকখ্রে।

পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা পাউমীশিংগা উনবদা কাউন্সিল অসিগী লাইফ তাইম সেক্রেটরি এসঐচ হেমন্তনা হায়খি, হয়েং অসি অরাম্বম সমরেন্দ্রনা লৈখিদবগী ১৮ শুবা চহীগী থৌরম পাঙথোক্কনি। অরাম্বম সমরেন্দ্রনা শুমাং লীলা অমদি থিয়েটরগী ঈহৌ অসিদা চঙশিন্দুনা হেন্না চাউখৎনবা হোৎনবীরম্মী। মসিগী মথক্তা মোইরাং পর্ব্ববুসু য়োকখৎনবা হোৎনবীরম্মী।

হয়েং অরাম্বম সমরেন্দ্রনা লৈখিদবগী থৌরম পাঙথোকপা অসিদগী হৌরগা মহাক্লা পামজরম্বা থবক থৌরমশিং অদু মথং মথং লেপ্তুনা পাঙথোক্কনি। থা অসিগী ১৫ দগী জুলাই ১৫ ফাওবা এক্তিংগী ট্রেনিং কম ৱার্কশোপ পাঙথোক্কনি। মসিগী মতুং চিতিৱানা শীল্লগা নুপী ঙাক্তগী মোইরাং পর্ব্ব কম্পিটিসন ফেষ্টিবেল লাক্লিবা জুলাই ২০ দগী ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়খি।

অমরোমদা, লাক্লিবা ওগষ্ট ১ দগী বির টিকেন্দ্রজিৎ লীলাগী রিয়ারসেল তৌবা হৌরগনি অমসুং ওগষ্ট ১৩ দা বির টিকেন্দ্রজিৎ লীলা মীয়ামদা উৎকনি।

জুন ১৫ দা হৌগদৌরিবা ট্রেনিং অসিসু মোইরাং পর্ব্বদা য়ুম্ফম ওইগনি। মরমদি অরাম্বম সমরেন্দ্রনা পামজরম্বশিং য়োকখৎনবা হোৎনরম্বা মরম্না মোইরাং পর্ব্বদা মীৎয়েং থমগদবনি। ষ্টেট কালা একাদেমীনসু নুপীশিংগী মোইরাং পর্ব্ব লীলা কম্পিটিসন পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মসিদা মতেং পাঙবা ওইনা চিতিৱানসু কম্পিটিসনগী ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোকপনি। ফেষ্টিবেল অসি লেপ্তুনা পাঙথোক্লবা পান্দমগা লোয়ননা চঙশিনবনি। কাউন্সিলনসু শেলগী মতেঙ পাঙবমক ঙমদ্রবসু অঙম্বা পাঙ্গল অমসুং থৌনাগা লোয়ননা হোৎনগনি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা ৱারেপ্পা নবনা হায়খি, এক্তিংগী ট্রেনিং কম ৱার্কশোপ থা অমা পাঙথোকপা অসি হন্দক্কী অসিনা ২৪ রক শুবনি। থিয়েটর মিরর অমসুং মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিল অনীনা খুৎশম্নদুনা পাঙথোক্কদৌরিবনি। মথং চহীদগী ২৫ শুবা চহী ওইবনা সিলভর জুবিলিগী থৌরম পাঙথোক্লবা হোৎনগনি। ট্রেনিং কম ৱার্কশোপ অসি মতিং থোকপা আর্টিষ্টশিং পুথোক্লবগী পান্দমদা হোৎনবনি। ট্রেনিং অসিদা শরুক য়ানিংবা আর্টিষ্টশিংনা লুপা ৩০০ গী রেজিষ্ট্রেসনগী শেনফম পীরগা য়াওবা য়াগনি। অয়ুক্কী সেসনদা লঞ্চ য়াওরগা মখা তানা নুংথিলগী সেসনগা লোয়ননা নুমিৎ খুদিংগী সেসন অনী থোক্লা পাঙথোক্কনি। মসিদা লীলা, দ্রামা, ফিল্ম, জগোয়, থাং-তাসু য়াওনা পাঙথোক্কনি। মাঙশিল্লক্লবা মোইরাং পর্ব্বদা অকনবা মীৎয়েং থমগনি। অহলশিংনা থম্বীরম্বা মোইরাং পর্ব্ব অসিগী য়েংলগা হেন্না হোৎননবা ট্রেনিং কম ৱার্কশোপ অসি পাঙথোকপনি। লোয়ননা মোইরাং পর্ব্বগী লীলাসু মতেক মতেক্তা পুথোক্কনি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট এম পুর্নামাসি লৈমা, লাইফ তাইম প্রসিদেন্ট পিঐচ গুনচন্দ্র, এদভাইজর এল তর্পোন অমসুং সেক্রেটরি ইন-চাজ ৱাই নিলচন্দ্রসু শরুক য়াখি।

শুমাং লীলা অমদি তোঙান তোঙানবা পর্ফোমিং আর্টশিং য়োকখৎনবগীদমক মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা ৱার্কশোপনচিংবা থৌরম কয়া মমাংদগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা এক্তিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

## ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস)ঃ
মণিপুরদা লাইব্রেরি চাউখৎহন্নবা দি মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরিজ এক্ট (এম পি এল এ) ১৯৮৮ চৎনহল্লু অমসুং পব্লিক লাইব্রেরিগী ওইবা দিরেক্তোরেট অমা শেম্নবা লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা কৈশামপাৎ লৈমজম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা ঙসি ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিয়েসনগী মীহুৎ কাংজম চাউবনা হায়খি, লাইব্রেরি হায়বসি মীওইবগী লৌশিংগী পুক্কৈনি। লাইব্রেরিদা লৈরিবা লাইরিকশিং পাদুনা অহেনবা লৌশিং ফঙগদৌরিবনি অমসুং মালেমগী ঈ-পাউশিং খঙবা ঙমগদৌরিবনি। মণিপুরগী পব্লিক লাইব্রেরিশিং অসি চাউখৎনবা মণিপুর গভর্নমেন্টনা কুমজা ১৯৮৮ দা পাস তৌখিবা এক্ট অসি চহী ৩০ শুরবা ফাওবা থবক ওইনা ওন্থোক্তনা লৈরি। অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু।

## কেক্রুপাৎ শীৎ-শেংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস)ঃ
তরাতরেৎশুবা দি গ্রেট জুন অপরাইজিং য়ুনিটি দেগী থৌরম পাঙথোক্লবা শেম শাবা ওইনা ঙসি অয়ুক্তগী হৌদুনা নুপী খুন্নাই কনবা লুপনা ক্রেকুপাৎ শীৎ শেংবা হৌখ্রে।


কেক্রুপাৎ শীৎ শেংবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবী নুপী খুন্নাই কনবা লুপকী প্রসিদেন্ট মুতুম প্রেমিলানা হায়খি, মণিপুরগী ঙমখৈ কন্নবগীদমক থৱাইনা পোন্থা পীখ্রবশিং অদুগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকপা মতম য়ৌরক্লে। জুন ১৮ দা থৱাইনা পোন্থা পীখ্রবশিং অদুবু নীংশিংবদা মতেং পাংবা ওইনা শীৎ শেংবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। লৈঙাক্না য়েংশিনবীদ্রবা অথৌবা অথৌবীশিংগী য়াতাফম অসি শীৎ শেংদুনা লূ-নালহন্নবা হোৎনবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দি গ্রেট জুন অপরাইজিং, য়ুনিটি দে ২০১৮ কী কনভিনর এস সঞ্জয়না হায়খি, জুন ১৮ গী থৌরম পাঙথোক্কদবা মতম নকশিল্লকপনা সোসল সর্ভিসশিং লেপ্তুনা চত্থরক্লি। মীয়াম্নসু নুংশিবা অমসুং কথোকপগা লোয়ননা থৌরম অসিদা লাক্তুনা শরুক য়াবীয়ু।

## উ চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ ঃ গভর্নমেন্ট দান্স কোলেজ পেলেস কম্পাউন্দগী ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা ঙসি কোলেজ অসিগী কেম্পসতা উ চারা ১৫০ রোম থাখ্রে হায়না কোলেজ অসিগী পুঙগী সেনিয়র লেকচরর গুরুময়ুম লোকেন শর্ম্মানা ফোঙদোরক্লি।

ADVANCED COACHING INSTITUTE
Regd. No. : 729
# 9862992105
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road
(Opposit mantripukhi auto parking)
REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE - Foundation Course for Class IX to XII (Arts and Science)
Felicitation of Toppers of COHSEM Exam. 2018
(Separate CBSE,BOSEM&COHSEM Batches)
WISH YOU ALL THE BEST IN YOUR FUTURE CAREER
SCIENCE





ARTS



HL-B/4656/285-27/6

STUDY MBBS/MD IN ABROAD
BANGLADESH, CHINA, KAZAKHSTAN KRYGYSTAN, PHILIPPINES, GEORGIA SOUTH AMERICA, UKRAINE, RUSSIA
(PACKAGE STARTS FROM 12 LAC)
Eligibility : 2018 NEET Qualified Candidate Only
ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE FOR NEET-2019
(Available Library Facility with Reading Room After Class Hour)
Class starts from 27th June 2018
Free seats for 450 above in NEET Exam. 2018 & PCB 80%
A.S. Education Trust Minuthong, Hatta Tellipati, Imphal
4th GATEWAY ABROAD INTERNATIONAL EDUCATION EXPO 2018
FREE ENTRY
at Nupi Lal Memorial Complex, Imphal, Manipur
On 23, 24, 25 June, 2018
PLZ Contact : Atawar Rahman, A.S. Education Trust
(JR INTERNATIONAL EDUCATION CONSULTANT)
Khergao Thambalkhong, Near Old Cambridge School, Imphal East, Manipur
BRANCH OFFICE : A.S. Education Trust Minuthong, Hatta Tellipati, Imphal
Contact No. : 8974084294, 9615706900,8415930784,8794249895
HL-P/1549/6-6/7


MEE PAMJEI
LOVELY FINANCE কী Poultry Section গী ওইনা Broiler farm দা য়েন সেবা তৌনবা অথুবগী ওইনা মী পামজৈ। লৈফমগী খুদোংচাবসু পীজগনি। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক নম্বরশিং অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি। অহানবা লাকপা মীওইদা হেন্না খুদোংচাবা পীজগনি।
Contact Nos. 8794338008 / 7085988482 / 8837362010
HL-P/1593/9&10

URGENT REQUIRE
Regd. No. IW (UP/0915(CE) of 2017, Govt. of Manipur

| Sl. No. | Name of Post | No. of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Urgent Imphal post vacancy – First come first chance | | | |
| | i. Writing copy at Home (housewife/student) | 50 | VIII/X/XII | Rs. 350 per copy |
| | ii. Computer Operator | 30 | G/BCA/O Level | 6000-12000 |
| | iii. DTP Works | 25 | G/Multimedia | 6000-12000 |
| | iv. Office Front Reception/Attendant | 20 | VIII/X/XII/G | 4000-15000 |
| | v. Company Driver (Light vehicle) | 20 | VIII/X/XII | 5000-10000 |
| | vi. VIP Driver (Light vehicle) | 10 | VIII/X/XII | 5000-10000 |
| | vii. Ex-Serviceman Guard/VIP Gunman | 20 | VIII/X/XII | 8000-20000 |
| | viii. Man Guard/Ladies Guard | 30 | VIII/X/XII | 5500-10000 |
| | ix. Micro RO/BDO/MO/PRO | 20 | X/XII/G | 10000-30000 |
| | x. Sweeper (Man & Women of Govt. office) | 40 | VIII/X/XII | 5000-15000 |
| | xi. Home Delivery Staff/Sales Executive | 50 | VIII/X/XII | 5000-10000 |
| 2. | Direct selection & joint for Airport post vacancy - 100% guide and success - 50% S.T. reserved – Semi Govt. work | | | |
| | i. Weight checking/Cargo Loader | 30 | VIII/X | 17000-80000 |
| | ii. Asst. Cargo Officer/Cargo Supervisor | 40 | X/XII | 17000-80000 |
| | iii. Jr. Retail CSA/VIP Lounge Staff CSA | 50 | X/XII/G | 18000-90000 |
| | iv. Ground Staff (CSA/CSE/GSR/CSR) | 60 | G/M | 25000-1 Lac |
| | v. Airport Driver (Heavy/Light) | 30 | VIII/X/XII | 17000-80000 |
| | vi. Ladies Bhugi Operator (Light) | 40 | X/XII | 18000-80000 |
| | vii. Air Hostess/Cabin Crew | 60 | XII/G | 65000-3 Lac |
| | viii. Airport – B.Tech /M. Tech/B.E. any trade | 60 | XII/G | 30000-2 Lac |
| 3. | No Donation & No Deposit Work at Imphal – First come first chance | | | |
| | i. Area Counselling Manager/Marketing Manager | 40 | VIII/X/XII | 8000-20000 |
| | ii. Part-time job (not less than 25 years and PAN CARD compulsory (Financial Advisor) | 100 | X/XII/G | Negotiable |
| | iii. Computer Teacher (Only Basic Course) | 10 | X/XII/G | 6000-10000 |

Last Date of Submission : 25-06-2018
Date of Interview : 26-06-2018
Office Hour 10:00 a.m to 04.00 p.m
Pliz Contact:
Kanglei Guidance Centre
Uripok Over Bridge Makhong Near Cosmo Dental Clinic
: 9077766104 / 8575764834 / 8794951292
HL-P/1455/29/5-25/6(Alt.)

Our Mission: Producing POSITION Holders from non-Position Holders
DAS Delta Advance School
Kwakeithel Bazar, Imphal
A Co-Educational Higher Secondary
Govt. recognised & Affiliated to COHSEM
Admission Open for Class-XI
Science & Arts
Special Facilities for Meritorious Students
Direct Admitted Students (70 % & above)




CBSE Students are also Welcome
Many Attractive Facilities with Smart Class & Advance Lab; Added advance Medical & Engineering classes
Direct Admission
No cut off marks; Admission at First come First
COME & SEE THE DIFFERENCE, FEEL THE DIFFERENCE
HL-B/4660/1-13June